# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চা থকপদা প্লাষ্টিক্কী দিস্পোজেবল গ্লাসকী মহুৎতা চফু মচা ওইনা শীজিন্নবা হৌরগনি : নিলামনি

বিজয় লাইশ্রম



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচ এন এস): মীয়াম তীনবা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী হোটেলশিংদা চা থকপদা প্লাষ্টিক্কী দিস্পোজেবল গ্লাসকী মহুৎতা চফু মচা ওইনা শীজিন্নবা হৌরগনি হায়না মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই নিলামনিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা বোর্দ অসিগী ভি পি, ৱাই নিলামনিনা হায়, ইম্ফাল সহরবু য়াম্না তরু-তনানবা মফম অমা ওইহন্নবা অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্নবগীদমক চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী হোটেলশিংদা হান্না প্লাষ্টিক্কী দিস্পোজেবল গ্লাস শীজিন্নরম্বা অদুগী মহুৎতা চফু মচা ওইনা শীজিন্নরগনি। অহানবগী ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্লিবী নুপী ৯৫না নোংমদা চা থকপদা প্লাষ্টিক্কী দিস্পোজেবল গ্লাস শীজিন্নরিবা অসিগী মহুৎতা লৈবাক্লা শাবা চফু মচা ওইনা মহুৎ শীল্লগনি।

মরম অদুনা মসিগীদমক চফু শাবগী শিনফম অসিদা মখুৎ চৎলবা খনগৎলবা বিনিফিসরি ৮০দা ট্রেনিং পীবগা লোয়ননা নোংমদা চফু মচা ৬০০ শাদুনা পুথোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

চফু মচা শানবা মেছিন ৮০সু মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দনা লৈরগা বিনিফিসরশিংদা পীখ্রে। মসিদা নত্তনা লৈবাক থিৎনবা মেছিন ৬/৭সু লৈরগা হৌজিক পীথনবা থৌরাং তৌরি। মসিদা নত্তনা মণিপুরগী কে ভি আইনা ইমা লৈস্না ষ্ট্রিট ভেন্দর এসোসিএসনদা অথুবা মতমদা লৈবাক্লা শাবা চফু মচাশিং অদু খুৎশিন্নরগনি হায়খি।

নিলামনিনা মখা তানা হায়, চা থকপদা শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী দিস্পোজেবল গ্লাস অমা লৈবদা পৈশা ৩৫ চঙই। অদুগা লৈবাক্লা শাবা চফু মচা অদুনা অমদা পৈশা ৭৫ চিংই। মসি শীজিন্নগদৌরিবা হোটেলশিং অদুগী মনাক্তা দষ্টবিন অমমমসু থমগদৌরি। চা থক্লবা চফু মচাশিং থোংজাও য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা শাবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিনা অকোয়বগী ফীভমসু তরু-তনান্না থম্বা ঙম্লগনি। মসি শীজিন্ননবগীদমক কে ভি আইনা শীন্দুনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেসনচিংবা প্রোগ্রামসু পাঙথোকপা হৌরগনি।

অমরোমদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হাংদুনা লৈরিবা মফম অয়াম্বদা লশিং পাম্বীশিং থানবা কে ভি আইনা থবক পায়খৎপা হৌরে। লশিং কেজি ১০০০ পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি। লশিং পাম্বী থানবগীদমক লম হেক্তর ৮০০০ রোম মথৌ তাই। লশিং পাম্বী থানবগী মফম্না মণিপুর লৈঙাক্লা পুথোক্লগা লশিং থাবনা কে ভি আইনা ওইগনি হায়রি।

লশিং পাম্বী থানবগীদমক জিরিবামগী বরাক শাবুখানগী অকোয়বদনি। লশিং থানবগীদমক য়ু এস এদগী লশিং মৰূ লৌরগা লাক্লিবা জুন অমসুং জুলাইদা থারগা দিসেম্বর থাদা লোক্কদবনি। লশিং পাম্বী অসি থা ৬ লোকপা য়াই হায়রি। হায়রিবা রো মেটরিএল লশিং অসি লৈরগদিদ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাই এ সীনা কোনবা লোইদাং খুনৌদা লৈবা স্পিনিং মিল নৌনা অমুক ফঙ্কসন তৌবসু হৌরগনি।

লশিং থাফমদা হৌজিক জঙ্গল কটিং তৌদুনা শেংদোকপগী থবক কন্না চথরি। কে ভি আইনা পেপর প্লেট অমদি চাক হাপ্তুনা চানবা চেগী পুখমনচিংবসু পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

নিলামনিনা মখা তানা হায়, খোই লোইনবগীদমক ট্রেনিং ফংলবা বিনিফিসরি ৩৫০০দা খোই উপু পীনবগী হৌজিক কন্না শেম-শারি। খোইগী মকোল ওইগদৌরিবা উপু মচা অদু অঙৈং-অশা কন্ট্রোল তৌনবা মওংদা শাগদবনি। খোই উপু শাবা মতমদা উপাক অদু ইঞ্চি অমদগী তাবা য়াদে। করিগুম্বা উপাক অদু য়াম্না পারবদি খোই লৈবীয়ু য়াদে। হান্না খোইগী মকোল উপু অদু উপাক অপাবনা চল্লুবদগী হৌজিক ফাওবা শীজিন্নবা য়াদনা অরেম্বদা তাদুনা লৈবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা অঙৈং-অশা কন্ট্রোল তৌবা অথাবা উপাক্লা খোই উপু অসি চনবা মথৌ তারি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২(ঐচএনএস): এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসন সেরিমোনি কম লোঞ্চিং ওফ পুলিস কম্যুনিটি লিয়েজন গ্রুপ (পি সী এল জি), দিষ্ট্রিক্ট পুলিস (ভি দি এফ) বেন্দ য়ুনিট অমসুং ট্রফিক স্লোগান বোর্দস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর বিষ্ণুপুরদা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল এম খৌতে আই পি এস, এ দি জি পি (ঐচ জি/ভি দি এফ) এন্দ এম দি, এম পি ঐচ সী মণিপুর খৃষ্টোফর দোঙ্গেল আই পি এস, ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (জেদ-টু) মণিপুর লুনশৈ কিপজেন আই পি এস, দিরেক্টর ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আর-থ্রি) মণিপুর কাবিব কে. আই পি এস, সী ও সেকেন্দ আই আর বি মাংখোজেন হাউকিপ, পি সী এল জিগী রিপ্রজেন্টেটিভ কে ঐচ বসন্তাকুমার (সোসল ৱার্কর)না অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা এস পি প্রয়াদর্সিনি লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা, থৌরম অসি মরু ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ক্রাইম থোক্লিবশিং অসিদা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা নিংথিনা ইনভেষ্টিগেসন তৌরগা মরাল লৈবা মীওইশিংবু চৈরাক পীদুনা মথৌ নিংথিনা তৌবা ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর অহুম খনগৎলগা রন্নিং ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা পীবনি। মসি আই ও ওইরিবশিং অসিদা মখোয় মশেলগী মরক্তা নিংথিনা থবকশিং পায়খৎনবগীদমক পুক্নিং থৌগৎনবা পীজবনি। মসিদসু নৎতনা পুলিস কম্যুনিটি লিয়েজন গ্রুপ অসিনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদিংমক য়াম্না লায়না পাউ পীথোক-পীশিন ঙম্মবগীদমক হাংদোকপনি। লোয়ননা টিদ্দিম লম্বী অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিদগী হন্থনবা হায়দুনা ট্রফিক স্লোগান বোর্দশিং খিন্নবগী থবকসু য়াওরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী অহানবা ওইনা অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ভি দি এফশিংগী ওইবা বেন্দ য়ুনিট অমসু হৌদোক্তুনা মখোয়বু হেন্না পুক্নিং চিংশিন্দুনা মথৌদা হেন্না পুক্নিং চংহন্নবগীদমক হৌদোকপনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা মতেং পাংবীদুনা মপুং ফাহনবীয়ু হায়খি।

থৌরম মখা চত্থরকপা ওইনা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দি জি পি এল এম খৌতেনা ফোঙদোকখিবদা, হাংদোক্লিবা পি সী এল জি অসিনা অমুক নৌহৌননা মীয়ামদা সোইদনা কান্নবা পীগনি হায়খি। মতম অমদা পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাউনদবা খরা লৈবগুম উরম্বা অদু হৌজিক্তি উরক্ত্রে, মীয়ামগা পুলিসকা মরী য়াম্না ফাগৎলে হায়খি। করিগুম্বা থবক থৌরমশিং হীরম অয়াম্বদা পুলিস খক্তনা ইনফোর্মেসন লৌবা অমদি প্রোব্লেম সোল্ব তৌবা ঙমদবনা মীয়ামগী সপ্পোর্ট চঙনিংঙাই লৈ। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৭দগী হৌদুনা পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা হেন্না মরী ফাগৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। ঙসিমকসু অসিগুম্বা পি সী এল জি অমা হাংদোকপা অসিনা অমুক্কা হেন্না কম্যুনিকেসন নিংথিনা লৈহল্লগনি হায়খি। মসিদা নৎতনা ঙসি হাংদোক্লিবা ভি দি এফ বেন্দ অসিনা গাইলাইন শেল্লগা পুলিসকী ফঙ্কসন খক্তা নৎতনা পব্লিককী ওইবা থবক-থৌরমশিং পাঙথোরকপদা য়াওহল্লবদি মসিনসু কম্যুনিটি পুলিসশিংগী মগুন হেন্না হাপ্পল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অহুমদগী মথৌ মশক খঙনা থবক তৌবা ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর তরুক খনগৎলবা মতুং মখোয়গী মার্ক স্কোর য়েংলগা অহানবা, অনিসুবা অমদি অহুমসুবা হায়দুনা খনগৎলবা মতুংদা পুলিসশিং অদুদা ট্রোফি, সর্টিফিকেট অমদি শেলগী মনা ওইনা মথংশিংনা লুপা লিশিং ২০/১৫/১০ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। অহানবা, অনিসুবা অমদি অহুমসুবা তাখ্রবা মথৌ মশক খঙবা ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরশিং অদুদি বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদগী এস আই গাংমৈ লানসাইলুং, নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদগী এস আই টি ঐচ বিশমুথ অমদি বিষ্ণুপুর ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদগী এস আই নিংবোই গাংতেনি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ফুটবোল টিমগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ফৌবাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসনগী ও সী কে ঐচ রাজেননা অচম্বা খুদোলপেৎসু পীখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা থমগদবা রোদ সেফটিগী ট্রফিক সাইন বোর্দসু রিলাইএবল হায়দ্রো টেক্ট. অমদি এয়র্টেলনা স্পোন্সর তৌদুনা ঙসিগী থৌরম অদুদা পুথোকখি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এস ও কয়াগী মকোক থোংবশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা চেকলেন অমসু চামিন্নখি।

# ‘নীংশিং য়ুম্বী’ মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

রিংপাম, জন্যুৱারী ২২(ঐচএনএস): হৌখিবা চহী ১৯৬৪দা টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা মুল্লো রিংপাম খুল অসি শেমগৎপা/লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা খুল অসিগী লুচিংবা লৈখিদ্রবা এস ঙাচাউন্মী, মহাক্কী লোয়নবী এস পি হোনরৈলা, মচানুপী এস শিন্মীলা অমদি অপোকপী মমা এস পি য়ৈখানলা লৈখিদবগী ‘নীংশিং য়ুম্বী’ মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইমুং-মনুংনা শিন্দুনা খুল অসিদা পাঙথোকখ্রে।

হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা সলুংফম ময়াই লৈকায়দগী টি ঐচ হরিদাশ কৌবা মীওই অমনা নীংশিং নুঙ অদুবু দোনেট তৌরক্তুনা ‘লেট দ হিল এন্দ ভেল্লি পিপল রিকন্সিদর দ পাষ্ট এন্দ য়ুনাইট’ হায়বা মেসেজকা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা চীং অমদি তমগী ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎ কয়া, থংনবা খুলগী ভিলেজ চিফ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লোকেল পাষ্টর রেভ. এন এস রমথরলেংনা নীংশিং য়ুম্বী নুঙ অদু মায়খুম হাংদোকখি।

লোয়ননা মুল্লো রিংফম বপ্তিষ্ট চর্চ এস টি এন বি এদা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা এস ঙাচাউন্মীগী মরমদা খন্না-নৈনবগা লোয়ননা মহাক্কী লাপ্নখ্রবা ইমুং-মনুং অমদি তম্পাক্কী মীওই কয়াদা সিল্লি-লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী খুদোল কয়া তমখি। ৱাঙাংলোয় কয়ানা লৈখিদ্রবা এস ঙাচাউন্মীনা খুল অসিগীদমক তৌবীরম্বা কয়াগী মরমদা অমদি চীং-তম অনিগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী পুরক্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবগী মচানুপা অহল এস রোবিননা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপা অমদি ইমুং-মনুংগীদমক তম্পাক লমদমগী মীওই অমনা মতেং পাংবীদুনা নীংশিং য়ুম্বী নুঙ অমা য়ুংবা ঙমজববু অপেনবা ফোঙদোকখি। অমদি রিংফম খুল অমসুং খুন্থংনরিবা সলুংফম অনিগী মীয়ামগী মরক্তা লৈরিবা নুংশিননা লৈমিন্নবগী ৱারি কয়া পাউদমখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এ দি সী চান্দেলগী ভাইস চ্যেরমেন এস তোংপাউ মাতেনা হায়, নুংশিনবা হায়বসি য়াওদনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা ৱাগনি। ঙসি রিংফম খুলগী খুঞ্জা অমগীদমক থংনবা তম্পাক্কী খুলগী মীওই অমনা মতেং পাংদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি শিংথনিংঙাইনি। মতুংদসু হেন্না নুংশিনরক্তুনা চীং-তম অনিগী মরী হেন্না ফাগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

# লাংপীকোৎ চীংশাংদা পোপি থারম্বা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২(ঐচএনএস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লাংপীকোৎ চীংশাং পরেংদা পাক-শন্না পোপি পাম্বী থারম্বশিং ঙসি কম্বাইন ফোর্সনা চান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিসকী এদিস্নেল এস পি সকলেম্বা আর কে অমদি সী এস পি চান্দেল বিমোলনা লুচিংবা এন সী বি, এন এ বি য়াওবা কম্বাইন টিমনা ঙসি লাংপিকোৎ চীংশাং পরেংদা একর ৪৬ লোমদা পাক-শন্না থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্টকী নার্কোটিক্স সেলগী টিম অমনা খেরগাউ মখা লৈকায়দা দ্রগ লালোনবা মীওই ৩ ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি খেরগাউ মখা ক্ষত্রি চান্দম লৈরক্তগী এম দি মোইনম ফারিজুদ্দিন (৪১), অপোকপা এম দি রফিজুদ্দিন; মহাক্কী ময়াম্বা এম দি মোইনম অমু (৪৫), অপোকপা এম দি রফিজুদ্দিন অমদি খেরগাউ শবল লৈকায়দগী এম দি সদাম (২৮), অপোকপা এম দি মুরৎনি।

মখোয়দগী হিরোইন পাউদর গ্রাম ২.৫, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১৩৭ অমদি শেল ওইনা লুপা ১০,৭০০ ফংখি।

# লেৱানা থবক্তা চিলহাউ থিদবা মীওইদা পুক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২(ঐচএনএস): লমদিং এদ্যুকেটিদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শিংথাবা য়াবা থবক তৌবা মীওই অমবু পুক্নিং থৌগৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

ঙসি থবক চিলহাউ থিদবা মিংথোল পীদুনা লেংয়ান ফি অমদি অঙম্বা শেল পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রবা মীওই অদুদি মমিং ৱাঙ্খেম অজয় অপোকপা দব্লিয়ু অঙৌ কৌই। মহাক লমদিং ইঙুদুম লৈকায়দা লৈবনি।

অজয়না ইম্ফাল এরিয়াদা অমদি য়ুমথোঙ খুদিংদা চংদুনা কেলেন্দর য়োনবা অমদি কালেনথাদনা লৈরক খুল্লক্তা আইস ক্রিম য়োল্লি। অদুগা অতৈ মতমদনা চুজাক কাবোক পোত্তুনা য়োনবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক খক্তনা থবক নৎতে হায়বা ৱাখল্লোন্দা থৌনা হনবা লৈতনা তৌরিবা থবকশিং অদুবু লেৱানা পুক্নিং থৌগৎপীবনি।

লমদম অসিদা লৈঙাক্কী থবক ফংদবা নহা কয়ানা থবক চিলহাউ থিবদগী হিংনবগী লম্বীদা লমহাংনরিবা কয়াসি দব্লিয়ু অজয়গী মতৌ তম্লবদি হিনবদা ইরাই লাইনা হিংবা ঙমগনি। লোয়ননা অতোপ্পা ষ্টেটকী মীওইশিংনা লমদম অসিদা শেল তানবা লাক্লিবা অসিসু মশিং হন্থরক্কনি হায়না অজিৎনা ফোঙদোকখি।

**OFFICE OF THE**
**ALL MANIPUR CONTRACTORS' ASSOCIATION FORUM**

(All Manipur PWD Contractors' Assn, All Tribal Contractors' Assn. & Manipur Hill & Plain Contractors' Association, Imphal, Manipur - 795001)

**/NOTICE**

The 20th Jan. 2020

This is to inform to all the contractors of Manipur for a meeting in Manipur Press Club Imphal, Majorkhul will be held on 27th Jan. 2020 Monday at 1 p.m. to discuss the following agenda. All the contractors are requested to attend the said meeting in time.

Agenda :- 1. Non release of PMGSY/PMGY fund.
2. Refundable GST of PMGSY phase - XI/B-I
3. MISC.

Sd/- Convenor
All Manipur Contractors' Assn. Forum

HL-P/6032/23,24

**/NAME CORRECTION**

I, Kharibam Jiban Meitei S/o Kharibam Thoibi of Ishikha Makha Leikai, Imphal East, Pin No. 795114 declare that in some documents my name is written as Kharibam Jiban Singh instead of Kharibam Jiban Meitei. Both are same and one person.

Sd/- Kh. Jiban Meitei
Ishikha Makha Leikai, Ishikha

HL-P/4573/23

**/TENT HOUSE**

**DUKANGI STAFF KHARA PAMJEI**

| | | Salary |
|---|---|---|
| (1) Driver | 1 | Rs. 7500/- |

(4 wheeler D.I. and Bolero leiraga shuba ngamgadaba meena henna pamjei)

(2) Mandop Mistry Khara Pamjei
Team Leader Salary Rs. 10,000/-

(NB: Nongmada 30x40 Mandop anidagi tadana khanba Ngamba)

(3) Decor and Light Fitting Fajana heiba Nupamacha - 10 Nos. (Only for 3 month's) Salary Rs. 15,000/- (Fixed)

NB : Pigadaba Facilities - T.A. + Insurance + EPF + Fooding and Lodging + 6 month's increment and Monthly Bonus.

Pliz Contact :- S.B. Enterprises, Moirangkhom
# 9366897985

HL-P/5670/23

**/BANK PASS BOOK LOST**

I have lost my Bank Pass Book of UBI, Imphal branch bearing A/C No. 0254010556972 issued by UBI Bank, Imphal branch on the way between Ghari and Bazar on 20/01/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- S. Kameshor Singh
Ghari Makha Leikai.

HL-P/4574/23

**/TAMPHA QUALITY ACADEMY KHUNDRAKPAM**

Affiliated to BSEM

**WANTED TEACHERS**

| Sl. No. | Subject | Vacancy |
|---|---|---|
| 1. | English | 01 |
| 2. | S.Sc. (History) | 01 |
| 3. | Mathematics | 01 |

N.B. Salary : Negotiable

Sd/- Principal, TQA
# 9612665692

HL-P/6033/23,24

**/SD INDUSTRIES**

*Project by*
**Sarva Shiksha Abhivan, Manipur**

**WE ARE HIRING**

| Post | Seats | Salary | Contract | Working hours |
|---|---|---|---|---|
| Computer Trainer | 100 | 5000+Bonus | 5years | 2hrs daily |

Interview on 24/01/2020, 10.00 A.M. Sharp

Venue : SD Industries LOKTAK, Changangei Uchekon, Airport Road, Near Herbert School.

*Email : sdictcinfo@gmail.com*

** Resume are requested to send through email before 24th January, 2020.*

HL-P/5669/23
Contact : 6909832633

**/ইখ্মোল অমা য়োঙ্গরি**

এম য়ু, ম্যেন গেটকী হেক মায়োক্লবদা লৈবা লম্বীগী ময়াসু ওইবা ইখ্মোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। ইখ্মোল অসিগী পাক চাউবনা **48x160 sq.ft** ওইগনি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ পীবিরকউ।

HL-P/6029/23,24,25
Contact No. 7085956750

**/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি**



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা তানবা য়ারগনি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai

HL-P/5954/16-31janto1-15feb Contact Nos. 8014023792/6009147645

**OFFICE OF THE**
**IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**/ নোটিশ**

তাং ১৩/১/১৯ ইং
Purana Bazar

**No. IMC/89/V-T/ADVT/2016/News Approval-** অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. (1) Shed No. 12, Licence No. 818, Seat No. 20 শ্রী/শ্রীমতি Oinam Bidhu Devi W/o O. Tomchou Singh of Pishumthong Oinam Leikai কী মীংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশানা শ্রী/শ্রীমতি Transfer to Ningombam Subadani Devi W/o N. Ibotombi Singh, Singjamei Okram Leikai দা Licence কী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নীগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মীং ওনখ্রগনি।

**Sd/-** এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন

HL-P/6016/23

(.HL-P/5899/11jan to 10march(alt

**COMET**
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**

**CRASH COURSE 2020**

**For NEET (Medical) Aspirants**

*Class commencement from:- 16th March 2020*

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2018) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2018) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)

*Prospectus and Admission form available from : 20/01/2020*

FIRST COME FIRST SERVE


For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near, Airport Road Imphal

HL-B/597/5/18,19,21,23

OUR SHINING STARS



1st POSITION HOLDER
HSLC 2019 (BOSEM)
BHUMIKA
SHAMURAILATPAM



2nd POSITION HOLDER
HSLC 2019 (BOSEM)
SHOPHIYA ASEM

**SMART TUTORIAL CENTRE**
Singjamei Super Market Radheshyam Shopping Complex,Imphal

**ADMISSION OPEN**
**FOUNDATION COURSE**
**IX,X BOSEM & XII Sc.COHSEM**
**STARTS ON 13th & 20th Jan.2020**
**MEGA TEST 2020**

| CLASS X | CLASS XII |
|---|---|
| 19/01/20 - ENGLISH | 20/01/20 - ENGLISH |
| 21/01/20 - SCIENCE | 22/01/20 - PHYSICS |
| 23/01/20 - S/S | 24/01/20 - MATHS |
| 27/01/20 - MATHS | 28/01/20 - CHEMISTRY |
| 29/01/20 - M/M | 01/02/20 - BIOLOGY |
| 2/02/20 - OPTIONAL | |

CLASS IX,X,XI & XII (GENERAL MATHS) CLASS X(HIGHER MATHEMATICS) FACULTY E.BENERJIT MEITEI
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial

**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH & RHYMES COURSES**

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4529/25oct.to23nov.



**NIT**
**NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS**
HOPE FOR FUTURE

Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

**SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR**

| CLASS IX & X (BOSEM) | CLASS VI TO VIII (BOSEM) |
|---|---|
| CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 | CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 |
| TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m. | TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m. |

* Day Boarding Facilities.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Study Material will be provided.
* Carrier Counselling for future study.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-P/5262/10 dec-11jan